# নোংমদুনা য়ারবরা?

## মতম মতমগী

**গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা**

চহী খুদিংগী ৱাকচীংগী ১২নি পানবদা ইমোইনু ইরাৎ থৌনিগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কুমসি চহীগী ওইনসু হৌখিবা জন্যুৱারী ১১দা পাঙথোক্লখি। নুমিৎতো খ্বাইরম্বন্দ বজার মী য়াম্না চিনখি। মীতৈগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈনি হায়নরিবা নিঙোল চাক্কৌবদা চিনবদুমক য়ৌদ্রবসু মমাঙঙৈগা মান্নদবা মওংদা চিনখি। মসিনা তাকপদি লমদম অসিদা লৈরিবা মীতৈগী ইমুং খুদিংমক্না ইমোইনু ইরাৎপগী থৌরম অসি পাঙথোক্লরে হায়বনি। ৱারেংজরিবা ইশামক মীতৈ বামোননি, হিন্দু ধর্ম্ম চৎচৈ অদুবু মীতৈ অমা ওইনা মীতৈগী নাৎকী ওইবা চৎনবী, থবক থৌরম অমত্তা থাদোকচদে। য়ূমদা লাইনিংথৌ লৈমরেলগী খুভম থমজে। নুমিৎ খুদিংগী ধূপ থাওমৈ কত্তুনা ইরাৎচৈ। লৈকায়গী উমংলাই হরাওবদা ইশামক্না লাইমাংদা থোক্তুনা শরুক য়াজবমক ঙমজদ্রবসু লাই হরাওবদি য়াওজে, লোয়ননা চহী খুদিংগী ৱাকচীংগী ১২নি পানবদা ইমা ইমোইনুগী ইরাৎ থৌনিসু য়ূমদা লেপ্তুনা পাঙথোকচরক্লি।

নহানগী ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎতুদি মোবাইল ফোন য়েংবসু য়াম্না নুংঙাইখি, অয়ূক অঙনবদগী হৌরে মীওই কয়ানা ফেসবুকতা থাগৎনবা। মনা-মশিং, অনৌ-অপেন্না অথেনপোৎ শেম্লগা লফোই, ঙা অমদি অথুম-অহাওগা লোয়ননা ইমা ইমোইনুগী শক্তম (মমি নৎত্রগা মীতম) গী মমাঙদা কত্তুনা ইরাৎনবা কয়া উখি। থোং-থাকপগী মমি অমদি ফজনা শেম্লবা মথেল লুকোই কয়া থেল্লগা কৎপগী মমি কয়া থাগৎলকপসু থেংনখি। নুমিৎতুদি ঙা চাবা মীতৈগী ইমুং খুদিংমক্তা ঙাদি শোয়দনা থোংনরমগনি। শারেং থোংবসু য়াওরমগনি। ঙাগী মমলসু ওখাক ৱাংলমগনি। মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা ঙাগী মেলা অমসু পাঙথোকখিবা মাল্লি। লাকচনীংলিবদি চহী অমগী মনুংদা নোংমখক ইরাৎচরগা কৎফম থোকপা, কৎপা য়াবা পোৎলম খরা কৎলগা ইমাদুনা পেনবীরনি হায়না লৌনসিরা? লাই নীংবদা থাজবা অমত্তা লৈতে মহয় শোয়দনা ফংগনি, অদুবু লনগী লাইরেন্বী ইমাদুবু তাকপী তন্বীনবা য়ূমগী অহল-লমন খুদিংমক্লসু খঙফম থোক্লবা ৱাফম ঙাক্তনি। ৱারোলশিং অদু কলম অসিদা অমুক থমজররোই, ইরুবগী ইতিকসু নত্তে। ঐ ইশামক হীরম অসিগী এক্সপার্ট অমসু নত্তে, অপাম্বা অনীংবা খরা ফোঙদোকচনীংবগী ইজবনি, ঐনা ইরুবদা মপুংসু ফারোই, চিথ্-নান্থবা শোয়দনা য়াওগনি।

ইরাৎচবগী মেক্সিমম বেনিফিট অদু ফংলগদ্রা? নুমিৎতুগা মরী লৈননা ঐগী ইমুংগী ওইনা পাউদমজরবদা অথেনপোৎ শেমদুনা কৎচরগা থোং-থাক্লবা মতুংদা ফুঙ্গা নাইবা য়ূমশাদি ওইদ্রবনা কিটচনদা বর্নর মথক্তা কৎচরগা খুরুমজরবা মতুংদা ইমুং-মনুং পূন্না ফংমিন্নবনি। হৌজিক্কী মতমদা ফুঙ্গা নাইবা য়ূম ইরৈ লৈরমগদবা মান্দে (অখন্নবা মীওই খরগীদি লৈরমগদ্রা নৎত্রগা নুমিৎতুগী ওইনা য়োৎশুবী অমা থারগা শেন্বা খরসু য়াওরম্বা য়াই, হৌজিক য়ূম খুদিংমক্তা ফুঙ্গা লৈত্রেমক্তি হায়জরোই, কুকিং গ্যাসনা চাক থোংদবা ইমুংসু লৈরমখিবা য়াই) মমাঙগী ঐগী য়ূমগী ৱারীদুদা অমুক লাকচরবদা চানবা শেম শারিঙৈদা ঐনা ইচা ইমৌশিংদা ইমোইনু ইরাৎপগী মরম করিনো হংলুবদা "চাকহোঙ-ঙাহোঙনবা খুরুমজবনি' হায়না খুন্নকই। য়াই শম্না খুন্নকপনি হায়না লৌরসি, মখা তানা নোংমখক ইরাৎপসিনা লোইরবরা হংলুবদদি মখা তানা পাউখুম ফংদ্রে। খুন্নক্লোই হায়বা ঐহাক খঙই, মখোয় খঙলোই খঙফম থোক্তে, করম্না খঙগনি? তাকপী-তন্বীগদবা ঐখোয়না তাকপী তন্বীদ্রবদবু মখোয় কমদৌনা খঙগনি? মখোয়গী মরাল নত্তে, তাকপী-তন্বীগদবা য়ূমগী অহল ওইরিবা ঐখোয়গী ইরালনি। ঐখোয়না তাকপী-তন্বীদ্রবদবু মখোয়না কমদৌনা খঙগনি?

ইমোইনু ইরাৎপা নুমিৎকী মাঙওইননা ওল ইন্দিয়া রেদিওগী খুঙ্গংগী থৌরমদা ওজা কাংজিয়ানা নুমিৎ নীনি থংন-থংননা ইমোইনুগী মরমদা ঙাঙবীখি। ইরাৎপা নুমিৎতসু ওজা চনা লুখোইনা ঙাঙবা অমা শন্দোরকখি। ইমোইনু হৌরকপগী ৱারী ৱাখোঙ, নুংগী ওইবা ৱারোল, ইরাৎপগী মওং, ইমাদা কৎকদবা পোৎলমশিং অমদি কৎপা য়াদবা লোয়ননা ইরাৎপদা শীজিন্নগদবা, শোনগদবা ৱারোল লাইশোলনচিংবা মরীক চুম্না থন্বীখি। নোংমখক ইরাৎচবদুগী মথক্তা মীতৈগী ইমুং অমনা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্তগী হৌরগা নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা তৌগদবা অমদি তৌরোইদবা, তৌহৈবা-তৌহৈদবগী মতাংদসু কূপ্না তাকপীখি। খুন্নাই অসিগী য়ূম কোইরিবী মীতৈগী মৌনহাশিং, মতমগী মতুংইন্না মৌগী শিংদা চল্লক্কদবী লৈশাবীশিং অমদি নোংমদি শোয়দনা মমা নৎত্রগা মবোক্কী মিংথোল ফংলগদবীশিংনা খঙদবা য়াদ্রবা, শোয়দনা খঙফম থোক্লবা লাইৱা ঙাক্তনি হায়জনীংই। নুপীখক্তগী নত্তনা মচা-মমৌশিংবু তাকপী তন্বীনবা য়ূমগী অহল-লমন খুদিংমক্লসু খঙফম থোক্লবা ৱাফম ঙাক্তনি। ৱারোলশিং অদু কলম অসিদা অমুক থমজররোই, ইরুবগী ইতিকসু নত্তে। ঐ ইশামক হীরম অসিগী এক্সপার্ট অমসু নত্তে, অপাম্বা অনীংবা খরা ফোঙদোকচনীংবগী ইজবনি, ঐনা ইরুবদা মপুংসু ফারোই, চিথ্-নান্থবা শোয়দনা য়াওগনি।

মখা চথজরবদা তাহন্নীংলিবা মীওইশিং অদুনদি তারমগদ্রা? থাজদে, তারমগদবা মান্দে (মশীং য়ামদ্রবসু খরদা ওইরবসু তারম্লবদি খুন্নাইগী ওইনা অফবনি) তাহৌদ্রবসু মখোয় খঙলমগদ্রা? অয়াম্বনা খঙলমগদবসু মান্দে। মতম অসিগী নহাশিং অয়াম্বনা রেদিও তাদে, রেদিও তাবগী হৈনবী লৈতে। মীওই খরখক্না তারম্লবসু মখোয়না ইন্টরেষ্ট লৈনা তারমগদবসি ঈশৈ অমদি লীলা মঙায়, অতৈ ৱারী-ৱাতাইগী থৌরমশিং লাকপা মতমদদি রেদিও মুত্থৎনবনা অয়াম্বনি। ঐ ইশামক্কী ইমুংদসু রেদিও তারিবসি ঐ খক্তনি, অতৈদি রেদিও তাদে। রেদিও অসি ঐখোয়গুম্বা সিনিয়র সিটিজনগী মিঙ্গৌ ফংনবা মীওইশিংখক্তগী রিজার্ভ তৌরবা পোৎশক অমনি হায়না লৌরবসু য়ারবজাৎনি। ৱারেং অসি পাবীবা মীওইশিংদি ওজা কাংজিয়া অমদি ওজা লুখোইনা ঙাঙবীখিবা অদু তাবীহৌবরা? ৱাহং হংজবা নৎচদে তাবীহৌরবা নৎত্রগা তাবীহৌদ্রবসু হীরম অসিগী মতাংদা হান্নদগী খঙবীরবদি ইচা ইমৌশিংদা তাকপী তন্বীবরা? খঙবীরবদি থম্মোয়নুংদা লোৎতুনা থন্বীগনু য়ামদ্রবদা য়ূমগী ইচা-ইমৌশিংদা লিথোকপীদুনা খঙহনবীবগা লোয়ননা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী মীতৈগী ইমুং অমদা তৌফম থোকপা থবক থৌরমশিং অদু কায়দনা পাঙথোকহনবীয়ু হায়জনীংবনিদা। ইমা ইমোইনু লনগী লাইরেন্বীনি হায়বদি মীতৈ মীপূম খুদিংমক্না খঙই। চহী খুদিংগী ৱাকচীংগী ১২নি পানবদা ইরাৎনৈ হায়বসু মীওই অয়াম্বনা খঙনরমগনি, খঙদ্রবসু মণিপুরী কেলেন্দরদা য়াওরগদবনা শোয়দনা খঙগনি। নুমিৎতুদা কৎপা য়াবা খুদিংমক কত্তুনা ইমাদগী চাকহোঙ-ঙাহোঙনবা নিজহৌবগা লোয়ননা ইমানা তাকপীবা নুমিৎ খুদিংগী য়ূম অমা পানবগী তৌগদবা, তৌরোইদবা অমদি তৌহৈবা, তৌহৈদবা খুদিংমক য়ূমগী অহলশিংনা মমাঙথক্তগী চৎনরক্লিবশিং কায়দনা ঙাকমিন্নসি হায়জনীংবনিদা। নোংমখক ইরাৎপদুনা য়ারবরা হংনীংলকপনিদা। ●

# তাঙরা পাইবী - ১

**- চকপ্রম নরেন্দ্র -**

অঙকপা ময়াম লক্তগী অঙকপা অমা ওইনা তাঙরা পাইবী হায়না খঙনবা মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তনগী পূঙ য়ৈবা ওজা নামৈরাকপম থম্বালঙৌ অমদি ওজা মৈহৌবম সৈত্যবান অনীগী লম্বা লোইনা হৌমিন্নরকখিবগী পূন্সি অসিসু অমনি। মতৌ করম্না অঙাং অহল খায়দনা মীচম মীয়াম্না তাঙরা পাইবী হায়বদা তাদবা য়াওনরমদ্রিবনো। তাঙরা পাইবী হায়বা মিংথোল অসিনা তাদবা য়াওদ্রবসু মশক উবা ফংজদবা অশেংবা মশক খঙজদবা তাঙরা পাইবী কনানো হায়বা খঙজদবা মী ঙসিসু লৈতবদি নত্তে।

সঙ্কীর্ত্তন অমদা পূঙ চোলোম ফজবা খরা কন্না পূঙ য়ৈবা মীয়াম্না পাম্নবা পূঙ য়ৈবা অমদা তাঙরা পাইবা হায়না হেক্তা কৌনবসু য়াদবা নত্তে। অদুবু তশেংনা তাঙরা পাইবী হায়না মীয়াম্না মশক খঙবীখিবা তাঙরা পাইবী মিংথোল পীবীখিবা পূঙ য়ৈবা অসিদি য়াইরিপোক নোংব্রংদা পোকচখিবা নামৈরাকপম থম্বালঙৌ অমদি য়াইরিপোক য়াম্বেমদা পোকচখিবা মৈহৌবম সৈত্যবান অনীনা পূঙগী পূঙবা (লম্বা) ওইনা কন্না য়ৈমিন্নরকপা মতমদা ওজা অনী অসিদা মীয়াম্না নুংশিবীদুনা কৌবীখিবা মিংথোল অমনি।

পূঙসিগী অঙনবা মতমদগী মীয়াম্না মশক খঙবীরক্লবা ওজা অনী অসিগী হোৎনজবা পূঙ য়ৈবগী কলা অসিদা থৱায় লুপচরকপগী অৱাবা লৈতনা হোৎনরকপা কয়া অদুবু তাজরুবা মতমদা তশেংনা অকিবা, তু-চুংবা ফাওজখি। তুরেলগী তোর্ব্বানগী লৈঙোই মথক্তা পূঙ চোলোম শান্নবা, লম থাপ্না পূঙ য়ৈবা চৎলুরগা য়ূম য়ৌরগসু নুমিদাং শুমাংদা মুশি-মুশি তৌবা লালটেনগী মৈঙাল্লক্তা পূঙ লোংহুন শান্নবা অসিনচিংবা ৱাবা নাইদনা হোৎনজবগী মহয় অমনি ফংজখিবা মিংথোল অসি।

টেলিফোনগী খুদোংচাবা লৈত্রিঙৈ, মোবাইল ফোনগী খুদোংচাবা লৈত্রিঙৈ, ইন্টরনেযকী কান্নবা লৈত্রিঙৈ, সোশল মীদিয়াগী খুদোংচাবা ফংদ্রিঙৈ মতৌ করম্না মণিপুর মীয়াম পূম্বনা মশক খঙবীদুনা তাঙার পাইবী মিংতোল পীবিগা লোয়ননা মণিপুরগী কাচিন-কোয়া শিনবা থুংনা পূঙ য়ৈবা চৎলকখিবনো? হেক্তা অরায়বা থবক অমা নত্তে, তশেংনা অকিবা অমনি ওজা অনীগী হোৎনজমন অমদি ওজা অনীগী খূৎয়ৈ।



মোইরাং মায়কৈ, পাৎশোই মায়কৈ, অৱাং সেকমাই মায়কৈদগী কর্ম্মা অমা পূঙ য়ৈবা নেকপা লাকপা মতমদা য়াইরিপোক তান্না চৎপা মথৌ তাই। মতমদুদা সাইকলদা থাপ্না লাকপীরগা নেক্লবা নৎত্রগা লাইন বসতা ইম্ফাল তান্না লাকপীরগা ইম্ফালদগী অমুক য়াইরিপোক তান্না বস তোংদুনা লাক্লগা রিক্সোদা নৎত্রগা খোঙনা য়ূম তান্না লাকপীরগা পূঙ য়ৈবা নেকপা লাক্লরম্মী। তঙাইফদনা গাড়ী ফংহৌদবদগী য়ূম হনবা ফরক তাখিদুনা পূঙ য়ৈবগী চেবাউ পীবা লাকপীরিবা অহল কয়া পূঙ য়ৈবগী য়ূমদা লেক্লগা নোংঙাল্লগা হনখিবা কয়া য়াওখিদবসু নত্তে। হায়রিবা অৱাবা কয়া অসি মায়োক্লরগা তাঙরা পাইবীবু পামজবা তাঙরা পাইবীনা পূঙ য়বা য়েংজনীংবদগী হায়রিবা অৱাবা কয়া অসি ওজা অনীনা শংবীরম্বা মতমদা অৱাবা কোক্লে। করিগুম্বা লম থাপ্না অসুক ৱানা নেকপা লাকপীরগা ওজানা মফম অমনা চেবাউ হানখিদুনা শঙদবা থোক্লসু নুংঙাইতনা হন্নখিবা য়াওখিবা কয়া অমনি। মীকুপ খরদা কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা চৎপা য়ারবা মতম অসিদা তাঙরা পাইবীনা ফাওগৎলকপা মতমগী মগুণ অদুবু চেঞ্জবা ঙম্নবা হোৎনজবা মমি মাঙশিল্লকপগুম তৌরি।

অফ-অফবা সঙ্কীর্ত্তনগী ওইবা লন্নাই লূপ কয়া, মতিক চারবা ওজা কয়ানা ঙান্দুনা লৈরবা সঙ্কীর্ত্তন তম্ফম, য়ুনিভর্সিটিগী থবক ফাওবা সঙ্কীর্ত্তনগী ওইবা দিপার্টমেন্ট লৈরবা মতম, অসিদা নত্তনা ইন্টেঞ্জিবল কলচরেল হেরিটেজ ওফ হ্যুমেনিটি হায়না য়ুনেস্কোগী লিষ্ট চল্লবা মতম অসিদা ঙল্লিঙৈ মতমদুগী তাঙরা পাইবী হায়না মীয়াম্না পাম্নখিবা তাঙরা পাইবীনা হোৎনজরকপা অদুগী মগুণ চেনবা অফবা নহাশিং থোরকপা ৱানা থোক্লি। অসুক চাওখৎলবা মতম অসিদা সঙ্কীর্ত্তনগী কায়থরকপা, মূত্থরকপগী চাউনা মমি তারক্লিবা অসিদা মতম অসিগী মীয়ামগী ওইবা খূৎশেম অমা চাউনা মমি তারি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৬কী ৱাহং

১) মৈতৈলোনগী অহানবা টিকেট লৌদুনা শান্নখিবা ড্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) **"অতিয়া লৈরোনখাদা"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) **"শামু হূরানবা অমসুং সনাগী ক্রোস"** হায়বা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোনদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনানো?

৪) **"মীতৈ থৌরমলোন অরিবা"** কৌবা লাইরিক অসিগী অইবগী মমিং হায়য়ু।

৫) **"মঙদাবা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ষ্টেটকী পাউ

# লিসিপ্রিয়া কাংঙুজমনা স্বাছটা ষ্টুদেন্ট কেম্পতা নহাশিংবু পুক্লিং থৌগৎখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস):** ক্লাইমেট এক্টিভিষ্ট অমসুং চাইল্ড মুভমেন্টকী ফাউন্দর ওইরিবী ইন্দিয়াগী লিসিপ্রিয়া কাংঙুজমনা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালনা শীন্দুনা পাঙথোকপা স্বাছটা ষ্টুদেন্ট কেম্প অমদা নহাশিংবু পুক্লিং থৌগৎলদুনা ৱারোল কয়া থমখ্রে হায়না রিমস ইম্ফালগী মীদিয়া সেলগী চেরোলদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, নুমিৎ হুম্নিগী ওইবা কেম্প অসিগী নীনি চনবা নুমিৎতা লিসিপ্রিয়ানা নহাশিং পুক্লিং থৌগৎলদুনা পীখিবা ৱারোলশিং অদুনা নহাশিংবু পুক্লিং লৌশিং ওইহনবদা নত্তনা মালেমগী ওইনা অইং-অশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি থেংননবা নহাশিংনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমীন্নগদবনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকপগা লোয়ননা তুংদা লাক্কদবা মীরোলশিংগী য়াইফন্নবগীদমক্তা নহা ওইরিবশিংনা মরুওইবা থৌদাংশিং লৌফম থোকই হায়নসু পনখি।

থৌরম অসিদা লিসিপ্রিয়ানা অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্নবগী খোঙথাংশিং খুদক্তগী ওইনা লৌখৎমীন্নবা কেম্প অদুদা শরুক য়ারিবশিংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঐখোয়গী প্লানেট অসি তুংগী মীরোলগীদমক্তা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইরবা থৌরাংশিং লৌখৎতুনা থবক ওইনা পাঙথোক্লবা ৱাফমসু কেম্প অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা থমখি।

থৌরমসিদা ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট এন্দ সিগ্রিগেসন এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বা হীরমদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখিবগা লোয়ননা মশা মউ ফবা সোসাইটি অমদা নহা ওইরিবশিংগী ৱাখল্লোন অসি য়াম্না মরু ওই হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্ন নৈনখিবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফীভমদা শীংনরকপশিংবু থেংননবগীদমক অনৌবা ৱাখল্লোন কয়াসু কেম্প অদুদা থমখি।

কেম্পকী শরুক অমা ওইনা প্লাষ্টিকনা থোকহনবা পোল্যুসনশিং হন্থহন্নবগীদমক্তা প্লাষ্টিক শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকহন্নবগী পান্দমদা ফ্রী প্লাষ্টিক সোসাইটি হায়বা হীরমদা পোষ্টর অমসুং স্লোগান রাইটিং কম্পিটিসন অমসু পাঙথোকখি।

রিমসতা পাঙথোকখিবা স্বাছটা ষ্টুদেন্ট কেম্প অসিদা নহা ওইরিবশিংদা মথৌ হাপ্তুনা অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনবদা লুচিংবা অমা ওইবগী থৌদাং লৌবগা লোয়ননা রিমসনা ইনভাইরোনমেন্টল এৱ্যেরনেস পাকথোক চাউথোকহন্দুনা মীয়ামগীদমক কান্নগদবা থবকশিং পাঙথোক্লি হায়না চেরোল অসিনা মখা তাখি।

# এসেমব্লি সেসনদা মণিপুরগী ৱাথোক মরুওইবা এজেন্দা ওইহনগদবনিঃ সী পি আই

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস):** কুম্বী লোকেল কাউন্সিল, সী পি আইনা শীন্দুনা লোকেলগী এক্সটেন্দেদ কাউন্সিল মীটিং অমা ঙরাং কুম্বী কৈথেলদা পাঙথোক্তুনা লৈবাক অসিনা থেংনরিবা অৱা-অনা কয়াগী মতাংদা কুপ্না খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা হন্দক ফমগদবা এসেমব্লি সেসনদা মণিপুরগী ৱাথোকসি মরুওইবা এজেন্দা ওইহনগদবনি হায়না সী পি আই বিষ্ণুপুরগী দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কুকি মিলিটেন্টশিংনা ইহান হান্না লান্দারকখিবা কুমজা ২০২৩গী মে ৩গী থৌদোক অদু কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুংদা লৈবা তোর্বুংদনি। য়ুম মৈ থাবা, মী হাৎলকপা কয়া অদুনা মথং মথং শন্দাকখিদুনা মণিপুর পুম্বা শীন থুংখিবনি। কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা মীওই কয়া রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরি। মীওইশিং অসিগী অৱাবা কয়া লৈঙাক্না শাংদোক্লবা হোৎনরি। সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্কী দবল ইঞ্জিন লৈঙাক্না মখোয়গী নুংদা লৈবা অরোনবা এজেন্দাবু মায় পাক্লবা অমদি মীয়াম্বু তুমিৎ কাংগুম খন্দুনা লান অসি লেপহন্দ্রি। ঙরাং ফমখিবা অপুনবা মীফম্না মণিপুর মীয়াম্বু কন্নবা লান অসি খুক্তা লোইশিনবা অমদি ফমগদৌরিবা এসেমব্লি মীখলদা মণিপুরগী ৱাথোকপু মরুওইবা এজেন্দা ওইদুনা ৱারেপ কয়া লৌগদবনি হায়বা ৱারেপ লৌখি।

# চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস):** রামা ফাউন্দেশনননা থা অসিগী ২২অমসুং ২৩দা নুমিৎ নীনি চুপ্না চেঙ্গুম থাবগী ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নম্বোল সাবল লৈকায়দা পাঙথোকখ্রে হায়না রামা ফাউন্দেশনগী পি আর ওগী চেরোলদা ফোঙদোরক্লি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা রিজনেল এচিভরস মনা ফংলবা সোরাম রাজেন্দ্রকুমারনা শরুক য়াখিবা মীয়ামদা মতৌ করম্না চেঙ্গুম থাগনি অমসুং হু চেনবা চেঙ্গুমশিং মশক খঙদোক্তুনা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা চেঙ্গুম থাদুনা চাখোক হেন্না পুথোক্কদগে হায়বগী মতাংদা শুগায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চেঙ্গুমশিং অসি কংহন্দুনা লীদুনা থম্বা অমসুং অচার শেম্বগী মতাংদা কান্নরবা ৱাফমশিং থমখি।

ত্রেনিং অসি পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি চেঙ্গুম হেন্না পুথোক্তুনা মীয়ামদা শেন্থোক লম্বী হেন্না লৈহন্দুনা মরোমদোম লেপচবা ঙমহন্নবা হোৎনবনি। ত্রেনিং অসি খুৎ-শা হৈবগী থবক্তা খুমাং চাওশিন্দুনা শেন্থোক লম্বী হেনগৎহন্নবগী অশানবা মীৎয়েংদা য়ুম্ফম ওইরগা পাউথোকপনি। রামা ফাউন্দেশনননা লমদম অসিদা লৈরিবা চেঙ্গুম থাবশিংগীদমক অখন্নবা ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং মখা তানা চত্থখিগনি। থৱায় য়াওবা লৌমীশিং, ওর্গনাইজেশনশিং, সেল্ফ হেলপ গ্রুপশিং নত্রগা ফর্মর ক্লবশিংনা নাগামপাল রিমস রোদতা লৈবা রামা ফাউন্দেশনগী কোন্টেক নম্বর ৮৭৮৭৭৩৪৪৫২দা পাউ ফাওবীরক্তুনা তৌবগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু হায়খি।

# লেম্না মীৎ লায়েংদুনা আনোক য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো) লিংখৎখিবগী ৩২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম মথং থা ফেব্রুৱারি ১২দা পাঙথোক্কদৌরিবসিগা মরী লৈননা ঙরাং য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন ওফ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট (য়ু সী ও বি দি) অমদি হাওতক সোসল দিভেলপমেন্ট ক্লব (ঐচ এস দি সী) হাওতকক খুৎশম্নদুনা খাগেমপল্লি পনখা হুইদ্রোম লৈকায়দা লৈবা য়াইমা আই হোস্পিটালগা লোয়ননা লেম্না মীৎ লায়েংবা অমসুং আনোকশিং য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হোস্পিটাল অসিগী কেম্প কোওর্দিনেটর এল রিশিকান্ত, ওপ্টোমেত্রি এম প্রিয়া অমদি রোসনিনা লুচিংবা ষ্টাফশিংনা মীয়ামদা লেম্না মীৎ লায়েংদুনা আনোকশিং য়েন্থোকখিবনি। ঐচ এস দি সী ক্লবগী এদভাইজর এম সুনিল, টি ইনাওচা, সেক্রেটরি এম রাজকুমার, প্রসিদেন্ট টি বিশ্বরজিৎ অমদি অঙ্গনৱাদি ৱার্কর ঐচ ননাওচা অমদি সনাহনবীনা লমদম অদুগী মীয়াম্বুনীংথিনা ঙাক শেন্দুনা কেম্প অসিবু মপুং ফানা চত্থনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখি। কেম্প অদুদা অঙাং য়াওনা মীওই ২০০না লায়েংখিবগা লোয়ননা কেম্প অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীখি হায়রি।

# ঈচাওনা শোকহল্লবা ঙামীশিংদা ঙা মচীঞ্জাকশিং য়েন্থোকখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস):** মণিপুর লৈঙাক্কী ফিসরি দিপার্টমেন্টনা ভুবনেশ্বরগী আই সী এ আর-সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুট ওফ ফ্রেস ৱাটর এক্বাকলচর (আই সী এ আর-সী আই এফ এ)গা খুৎশম্নদুনা লমদম অসিগী ঈচাওনা শোকহল্লবা ঙামী ২০০ রোমদা ঙা মচীঞ্জাকশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী ফিসরিজ দিরেক্টোরেটকী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।




চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা দিরেক্টোরেট ওফ ফিসরিজগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা ঙা মচীঞ্জাক য়েন্থোকপগী থৌরম অদু আই সী এ আর-সী আই এফ এ এন ঈ ঐচ আওটরিচ প্রোগ্রামগী মখাদনি। ঙা মচীঞ্জাক য়েন্থোকপা অদুদা ফিজরিজগী দিরেক্টর ঐচ বালকৃষ্ণ অমসুং ওফিসলশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমদা লৈরিবা ঈচাওনা শোকহল্লবা ঙামী অমমমদা কেজি ১০০/১০০গী ঙা মচীঞ্জাশিং লেম্না য়েন্থোকখি।

মমাঙদসু দিপার্টমেন্ট অসিনা ঈচাওনা শোকহল্লবা ঙামী ২০০ রোমদা পেঙবা অমসুং ইন্দিয়ান মেজর কার্পনচিংবা ঙা মচাশিং য়েন্থোক্তুনা ঙামীশিংগী শেনমীৎলোন ফগৎহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমসিদা ফিসরিজগী দিরেক্টর বালকৃষ্ণনা আই সী এ আর-সী আই এফ এ ভুবনেশ্বরগী দিরেক্টর ডা. পি কে সাহু অমসুং প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. সুভেন্দু অধিকারিনা ঈচাওনা শোকহল্লবা লমদমসিগী ঙামীশিংগী য়াইফনবা অমদি শেন্মীৎলোন খুমাং চাওশিন্নবা হোৎনরিবা কয়াবু শীংথাবগা লোয়ননা থাগৎপসু ফোঙদোকখি হায়রি।

# মাইচৌ থৌকাচানপদা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

**ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২৪ (ঐচ এন এস):** মাইচৌ থৌকাচানপা নীশিং লুপ অমদি য়ুনাইটেদ ক্লব সগোলবন্দ অনীনা খুৎশম্নদুনা লৈখিদ্রবা মাইচৌ থৌকাচানপগী ১০২শুবা মপোক থৌরম ক্লব অসিগী শান্নবুংদা খিল্লিবা মাইচৌ অসিগী মীতমদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে হায়না লুপ অসিগী সেক্রেটরি সুরেস সাইখোমগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম নাওখোম্বনা লৈবাক্না শক খঙদুনা মষ্টর ফাওবগী থাক্তা তম্নরিবা মৈতৈ ময়েক ২৭ অসিবু চৎননবা অমদি চাওখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া মাইচৌ অসিনা লৌরমখিবনি।

রাজ্য সভাগী এম পি ওইরিবা ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা কুমজা ২০০৭তা মাইচৌ অসিবু কংলৈ ইয়েক্কী লময়ানবনি হায়না মীংথোন ফাওবা পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রবা মীশক অমনি। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা লোল, ময়েক চাওখৎহন্নবা অমদি মালেমদা শক তাক্লবা হোৎনবদা নত্তনা ইনাৎ লাইনিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনরমখি হায়রি।

মৈতৈগী পোকপদগীনা শিবা ফাওবগী ইরাৎ ইশোনবা তাকপীরিবা লাইরিক 'থৌরম পরেং অসুবা' পুথোক্লম্বতা নত্তনা পুয়া কয়াসু তুংগী মীরোলগীদমক খুৎশীন্নবিরম্মী।পুয়াশিং অদুগী মনুংদা 'লালৈ লাথুপ থিকেল' 'মতমগী খোঙলৈ', খাম ওই য়াং ওই সেকনিং' 'পোম্পিলাং সেকনিং অমদি মীতৈ ময়েক তম্বগী মপী লাইরিক ফাওবা মাইচৌ অসিনা পুথোক্লমখি হায়রি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।